# ঐহাকসিবু অশিংবরা? অপঙবরা? - পাউখুম ফংদ্র-ৱাহং অমা



- এস ইন্দ্রকুমার-

অহল-লমনশিংনা হায়নরকই লমসিদা-ইমুং মদা অহল ওইনা পোল্লুবা মচা (নুপী/নুপা অনীমক) অপঙবা মী ওইগল্লি। অহল ওইনা পোল্লুবনা, ইশাসু অপঙবা মী হায়বদুগী মনুং চনবা মী মখল অমনি হায়নরকই মীয়াম্না। ইশানদি য়ানীংখিদে। খনখি-ইমুংসিদতা নত্তনা লৈকায়সিদা ঐঙোন্দই হেন্না শিংবা মী কন্নাসু লৈতে ঐনা পূমহেন হেনবদুমক নৎত্রবসু, ঐহাক কন্নাদইসু তাখিদে। খঙই ঐ-ঐঙোন্দা নমথাক তৌখিবা মরুপ-মপাং, মরী-মতা কয়া অমা য়াওখি। ঐনদি মখোয়দা কৈদৌঙৈদা নমথাক তৌগে খনখিদে। অতোপ্পনা নমথাক তৌখিবা, ঐগুন্বা মীশক কয়াদুবু 'অপঙবা' নি পাউথোক্লিবা চৎলোন অসি ঐহাক য়ানীংখিদে। স্বর-অ ময়েক খঙদবা, মমিং ইবা হৈতবী ঐগী ইমাদো-ঐদি খল্লি 'মহাক অশিংবা নুপীনি'। মহাক্না হায়খি নোংমা 'ইচাদি মপুক ফব্বনি, অপঙবা নত্তে, মীনা হায়বা তারুু'। ক্লাস 'ফোর' দা তল্লিঙৈ, অসামদা ফি-য়োনবা চৎখিবা 'ইপা'না য়োন্নবা ফি, কৈথেলদগী লৈবা-চৎপদা ইমানা ঐবু পুই, শেলগী হীসাব শূনবা। অপঙবা মীনি খল্লল্লবা, ইমানা ঐবু পুরল্লোই। ইমানা ঐবু মতম চুপ্পদা থাজখি। ঐনসু খঙখি-মতম চুপ্পদা মচাশিংগী মরক্তা মান্নদবা মীৎয়েং য়েংখিদে। ১৯৬৫-৬৬ অদুৱাইদা ওইরম্লি, নোংমা, কৈথেলদা ববাগী পোৎ তীল্লমদাইদা ময়াং-মচা শোয়নাইবা অমা চঙলক্লগা চেজেৎ অমা পীরগা মতেং নীরক্লম্মী। মরৈ পান্দে, মরোল থোক্তে। ইমানা হংই 'করি হায়রিবনো ইবুংঙো'? 'মরৈ পান্দে, মরোল থোক্তে, মখোঙ তেকই, মতেং পাংবীয়ু হায়রিবনি'...। মখূত্তা লুপা অনীখক পায়রম্ব্দু লুপা অমা শোয়নাইবদুদা পীথোকখি। তেৱাদগী থোং নম্নোনবী ফাওবগী রিক্সো অতোংমল সিকি অমা খক্তনি। পোৎ'তুদি শোৎ'তৌরিবনি।

ঙসি, কুইরবগী তুংসিদা নীংশিংলগা হংজরি-ঐগা, ইমাগনা নুমিত্তুদা তৌখিবদু অশিংবা মীগী থবক্লা? নৎত্রগা, ইমানা মীনুংশি উৎখিবদু অপঙবগী মতৌ'রা? থৌদোক অদুখক্তা নৎখিদে। পূন্সি'তাংকক কয়াদা থোকখিবা থৌদোক কয়া -ঙসি নৌনা মরুপ মপাংদা তমথোল্লুবদা, অপঙবা ঐগী ইতৌবু করেম্নবীরক্কদরা। পূম্নমক্তুদি তল্লরোই। ঐনা যূম পাল্লবা, ইচা অনী লৈর'তুং থোকখিবা থৌদোক অমত্তংগা তমজরমগে। ঐগী পূন্সি খোঙলোয় মহাকমক্লা, থৌদোক্তুগী পাউ তারগা হায়খিবা ৱাহে অমনি...'নহাক্তি ঙসিগী মতম অসিদা পোল্লমলোইদবা, আ মথায় থায়না, সত্য-যুগ/ত্রেতা যুগ'কা হায়নবা মতমদুদা পোল্লমগদবা মীশক অমনি...নঙগা লৈমিন্নরিবা ঐহাক্তা নত্তে, নঙগী নচা, নশুফাওবা নঙগী ফিদম লৌরবা, মখোয়না অৱাবা পূন্সি অমা লেনগনি-মসিমদি হায়বীগে'...।

অশাউবা তোন অমদা হায়বমক্তি নৎখিদবা খোম্লোক্তু, ঐঙোন্দা ৱারৌবা, ঐগী ইতৌদু য়ানীংদবা মতৌ অমদি য়াওই হায়বা, পাবীরিবশিংসু খঙবীরমগনি। সুমদৌবনি। থৌদোক অদু তমজগে। ১৯৯২ মার্চথাগী অরোইবা তারিখ ৩১। লৈঙাক্কী একাউন্ট ক্লোজিং, শেনবা লোইশিনবা নুমিৎ অদুনি। ঐহাক য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী (থৌবাল ব্রাঞ্চ) গর্ভর্ণমেন্ট-ত্রিজরি-বিল সেক্সনদুদা ফল্লম্মী। একাউন্ট ক্লোজিং নুমিৎনিনা নুমিত্তুদি নুমিদাং পুং নিপানফাওবা ত্রিজরি-বিল এক্সেপ্ট তৌবীয়ু হায়বা, ত্রিজরি ওফিসরনা অইবা চে পীরক্তুনা ঐখোয় অথেঙবফাও থবক শূখি। পুং নিপান নৎখিদে। নোংয়াই মতুং ফাওবা থবক শূখি। মতমদুগী এম এল এ লৈতাম্নেম তোম্বনা চাক থোংদুনা পীজখি। ইম্ফাল তম্না ঐখোয়বু যূম ফাওবা থিল্লকখি।

ঙরাং শূবা ঙমহৌদবা থবক্তু মথংগী নুমিত্তা লোইশিন্নবা, যূমদগী ঙন্তা থোক্লক্তুনা পুং নিপান্দা বেঙ্ক য়ৌখি। ওফিস-কান্টিন মনুংদা ষ্টাফশিংগী অখন্নবা চাক্লেন শীন-লাংলি। পুং তরামুক তারকপদা চাক লামশিল্লক্তুনা হোটেলদা খিচরি অমা চাকখাও লাইনিং-থাবা ওইনা চাগে থোক্লকপদা দিপার্টমেন্ট অমগী ফোর-গ্রেদ-এমপ্লোয়ী অমা (অশেঙবদু হায়দোকচররোই) ইনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা ফল্লগা হায়রে 'তামো! ঙরাং অথেঙবদা বিল অসি থাবা নংহৌদ্রে... ত্রিজরি এদভাইস'সু য়াওরবনি, পূল্লোই লোইরবনি, বেঙ্ক মেনেজরনা খূৎয়েক পীরগা কায়থোক্কদবতা ঙাইরবনি-সিমত্তংগা হাপচিনবীখ্রো, তামোগী খরচ ওইনবা লুপা লিশীং অমা থমজরল্লগে'...। মতমদুদা ঐগী তোলোপ লিশীং অনী চাতরুক। বিল ভেল্যু-লুপা লাখ মরিগা লিশীং মরিফুতরানিপান! 'ঙরাং নোংয়াই মতুং ফাওবনি, ঐখোয়না বিল রিসিভ তৌখিবা... ঙরাং কৈদৌ' লৈহৌগে... বিলদু ঐহাক লৌবা ঙল্লোই'...। ফন্না কুইনা ঙাঙনরে, ঐনা লৌ য়াদ্রবা মহাক চেন্দুনা, মাগী ওফিসর উনরুরগা চেল্লক্তুনা তান্নরগা হায়রকই...'তামো ঐখোয় সারনা বিল ভেল্যুদুগী তঙ্খায় অমা লৌহৌরো; তঙ্খায় অমত্তং পীরকউ হায়য়ে, সে... য়াননবা শিনবীরো'...।

ঐ শ্বাই লাউখি। থাজবা ঙমখিদে। বিলদু পায়রগা মেনেজর 'প্রদীপ কুমার সাইকিয়া'গী মনাক্তা চঙখি, হায়রুই 'দিস মেন ইজ ওফরিং ফিফটি পর্সেন্ট ওফ দ বিল এমাউন্ট... হ্বাট সেল ৱি দু, সার'?

'মাই গুদনেস' হায়দুনা মকোক পায়রুরগা হায়রকখি শোম্বাংননা... নঙগী হাউসিং লোন লাখ অমা হায়খিবদু ফাওদ্রিদনা... ষ্টাফ অতৈদা হায়দোল্লুরনু, ঐগী স্যেরসু পীরক্লমু নহাক লৌরো, যূমদু ফজনা শারো...কদায় বিলদু ঐ খূৎয়েক পীরগে'...।

'লেট মি থিঙ্ক ৱান্স এগেন সার' হায়রল্লগা বিলদু পায়দুনা থোরক্লগা ঐ ফন্না কুইনা ৱাখল তৌদুনা লৈখি।... মতমদুদা মারুটি কার অমগী মমল শুপ্পগী লুপা লিশীং নীফুতরুক... কার অমসু লৈরনি, যূমদুসু শারনি, নুপীগী সনা শাবীবা ঙমদবদুসু শারনি... লুনা মোপেদ অমখক তেক-তেক তোংদুনা চৎলম্বদু মারুটি কার খোঙনেৎনখিবা, লৈকায়গী অমদি ওফিসকী মী ময়ামগী ৱারীগী সেন্টর পোইন্ট ঐনা ওইরকপা... পাপকী শেলদুনা লোইখিবা, পূন্সিগী ষ্টেন্দার্দ মেন্টেইন তৌনবা শেল, সেলরিগী শেনফম্লদি কোন্নরক্তা, লিভিং প্রিন্সিপল থুগায়রকপা তারকপা... কোক ঙাউরক্তুনা ফুক হৌগৎলগা বিলদু 'রহিমউদ্দিন'দা পীথোল্লরে। মেনেজর সাইকিয়া'দা হল্লক্তুনা হায়রুরে, 'সার! মাই কন্সায়েন্ট দজ নোট পর্মিট ইট, আই হেব রিটর্ন্দ দ বিল'...। ঐগী নুপীনা হায়খিবগুম, অতাবা খুদিংনা হায়রক্কনি-ঐগী এক্সন অদু পুকচেল শেংবা নৎত্রগা পুকচেল চাউবা ইতৌ নত্তে। তশেংনমক, অপঙবা মী অমগী ময়েক শেংবা খুদম চাংদম অমনি, ঐহাক্কদি য়াদবা।

অরোইবদা ৱারী অমা লীজগে। মরী লৈনদে হায়রক্কদ্রা! মরল লৈবা, ইনাক খুনবা নুপা অমা থাজদবা অনাবা অমনা মরম ওইদুনা তপ্পা শোনজিল্লক্লম্মী। চাবা থকপা য়ারক্ত্রে চীঞ্জাক মহাও খঙলক্ত্রে। মচা-মশু-শুথাং ফাওদই হেন্দোক্তুনা মথংগী মপোক অমদুফাও লোইররোইদবা মরলদুগী খল্লুবদা অহিং কয়া তূমদরে। মচাশিংদু পাখৎলে। অফবা ডাক্তর অমগীদা পুরক্দুনা য়েংলুরে। ডাক্তরদুনা হায়রকই, 'চহী অমই মনুংদা পূন্সি চেঙজেল লোইরনি, লায়েংবা ঙমদবা লায়না অমা লোয়নরে, হিংলিঙৈগী মনুংসি মশক থোক্লা হিংহৌরো'...।

ৱারী অসি তাবদা প্রেস-রিপোর্টর অমনা কেথোলিক লম্বোইবা অমদা ৱাফম অমা হঙ্গৎলুই...'করিগুম্বা অদোম্না নুপা অসি ওইরল্লবা, নহাক করি তৌরমনি'?

লম্বোইব'না খুল্লকই- 'লৈজবা লন-থুম-সনা-লুপা-শেল পূম্নমক কখোল্লমগনি- লায়র-অনং, কন্না লৈজদ্রবশিংগীদমক্তা, অদুগা লেল্লুগনি পূন্সিদি অচৌবা চর্চ অমদা, ঙাইরুগনি পূন্সিগী অরোইবা মীকূপ লাইরৈবাক্তা চঙনবা'।

ৱাহংদুমক্তদা প্রোটেষ্টেন্ট, অকে-অমৌগী জহাজ (ক্রুইজ সিপ) অমদা তনৌরিবী শকহেনবী কয়াগা লোয়নদুনা চহী অমা লেল্লুগনি'...।

ইজরেলগী জিউ অমদা হংলুবদা, পুমতোপ তোপ্পা, মান্নদবা পাউখুম অমা পীরকই... 'ইপোৎ-ইরল পূম্নমক লেঙদনা/কায়দনা থল্লগা, অতোপ্পা অচৌবা হোস্পিটাল অমদা চৎলগা হেন্না ফব্বা, অহৈবা ডাক্তর অমগীদা চৎলগা, অমুক নৌনা লায়েংলুগনি'...।

মসিবু কৌই অশিঙবা, ইন্টেল্লিজেন্ট ওইবা পাউখুম।

থিসি ঐখোয়, হেন্না শিংবা, ৱাখল লৈবা লুচিংবা অমা। খঙলে, ঐহাক ইশাবুদি অপঙবসু নত্তবা, অশিংবসু নত্তবা, মী মরক শা মরক হায়বগী থাক্তুদা লৈরিবা মীশক অমনি। ●

# হুমাং মমলনা হিংলিবশিংদা কখোল্লুবা কীর্ত্তিচান্দ লুৱাংগী শৈরেং লাইরিক 'ৱাউথরবা মচু' - লাইরিক অসিনা পুরিবা পাউজেল



- তোংব্রম অমরজিৎ -

অইবা কীর্ত্তিচান্দ লুৱাং কুমজা ১৯৬১দা ৱাবগাই তেরাপিশক খুঙ্গংদা তাইবঙ খোঙদারকখি। অপোকপগী মিংনা ৱাহেংবম অমুবা অমদি অপোকপীনা এলাংবম নয়নী কৌই। দি এম কোলেজদগী আর্টস গ্রেজুএট লোইরবা মতুং পাটনা য়ুনিভর্সিটিদগী এম এ পোলিটিকেল সাইন্স লোইশিনখি। মোরে কোলেজদা মতম খরা লেকচরর ওইরল্লবা মতুংদা পোল ষ্টার কোলেজ ৱাবগাইগী মেনেজিং কম্মিটিগী সেক্রেটরিগী থৌ পুদুনা কোলেজ অসিবু চাওখৎনবা মতম শাংনা থবক তৌরমখি। তাইবঙ য়ূম্বাল পূন্সিদা মোইরাংথেম নিঙোল মেম্মীগা য়ূম্বানমিন্নদুনা মচানুপা অমগা নুপী অমগা ফংজখি। ইরমদম খোর্জে অপূনবা লূপ (ঈখল), হিয়াংলম-ৱাবগাই লিংখৎপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরকখি। লূপসিনা পুথোকপা চহীগী চেফোঙ ঈহৌরকপগী মতম শাংনা এদিটর ওইরকই। প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএশন, ইম্ফাল অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী মেম্বরনি।

লাইরিক অসিগী হেক অহানবা শৈরেংনি 'অনৌবা খুঙ্গং' আশা কয়ানা থল্লবা মান্নবা খুন্নাইগী শক্তম উবা ফংবা লমদম অমদা চৎনীংই কবিনা। মরমদি ঙসি লৈরিবা লমদম, ঐখোয়না হিংলিবা পূন্সি মহিং অসিদি অশোন-অনা, লৈত-লায়রবনা হিংবদা ৱারবা লমদম অমা ওইরক্লি। অদুনা কবিসু মহাক্কী মরুপ অমনা চৎখিবা অনৌবা খুঙ্গং অদুদা চৎনীংবগী ইখৌ লাংলি, 'কুইরে-ঐগী মরুপ্পুনা চৎখিবা/ঐবু থাদোল্লক্লগা/অনৌবা খুঙ্গং অমা থিবা।/খুঙ্গং অদুগী মমিং/খেন্নদবা কৌব্রা/মান্নবা হায়বরা/অচীকপা থোনব্রা/চাওখৎপা কৌব্রা/ঐ মদুমদি কাউরে...চৎপা তারবদি ঐখোয়/পুল্লিবসিমদি থদৎপা তাই/খাজিল্লিবসিসু শীদোকপা তাই/ঐখোয়না লৈরিবা চোঙাবনসিগী...' (লা:২)

ঐখোয়গী শক্তম, ইপু ইবেনগী হৌরকফম, লমদমসিগী আইদেন্টিটি ঐখোয়গী ইনাৎনা ঙাক্লি অমদি কন্দুনা লাক্লি শাংলবা চহী লিশীং কয়া। তৌইগুম্বসুং মতমগী হোংলক্লিবা শাফু কল্লবা নোংলৈ-নুংশিৎকুল্লবা নোংচুপ লমগী চাওখৎপগী অনৈবা ঈচেলদি চেনশিল্লক্কনু হায়বদি য়াদবনা ঙসিদি লমদম অসিগী কলচর অমসুং ত্রেদিশনদা অঙকপা ফংনা অহোংবা অওনবা লাক্লি। মসি মীপায়নীংঙাইসু ওইদবা নত্তে। ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলক্লিবা মীশিং অদুসু অচৌবা খুন্নাইগী মীওইশিংনা হিংনবগী লানফমদা থবক থিবা অমদি শেল তান্নবা হোৎনরকপদা অপিকপা চীংলৈবাক্কী লমদম অসিদা থিংবা ঙমদনা ফুজিল্লক্লিবা মীশিং অমদি লমদম অসিগী চনু নিঙোলশিং ফাওবা চারৌ-মৌরৌনদুনা লাক্লিবা খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন, পূন্সি মহিং, য়ূম্বানলোন পূম্নমক অসি উরুবা, তারুবা, থেংনরুবদা অপীকপা ফূরুপ অসিগী তুংগী খুন্নাই অদুগীদমক নুংনাংদবা ঙমদে কবি কীর্ত্তিচান্দনসু। অদুনা মহাক্কী লাইরিক অসিদা অসিগুম্বা আইদেন্টিটিগী ইস্যু অমা থোক্লক্লিবা অসিবু ফোকস পীদুনা মরু ওইবা থিম ওইনা নৈনরক্তুনা ইরকপা শৈরেংনি, 'য়ানশিনখ্রবা ঈ' ফজরবা ইমেজরিনি মহাক্না নুমিৎ থোকত্রিঙৈ হায়দুনা শীজিন্নরিবা অসিমক। ঙসিসু নুমিৎ থোকত্রিবগুম তৌরি মণিপুর।

"নুমিৎ থোকত্রিঙৈ/ঈশিং ফমজিল্লিঙৈ/ঙমখৈগী পলদি নীংখায়খ্রে/মোংবা হনবা হিদেন/ওনখ্রে কংফাল লম/কনা খঙহন-উহন্দনা/মীয়ান মচা লম্বোইবা/কুইরে মশাগী য়ূম্ফম থোনখিবা..." (লা: ৭) অশেংবা অচুম্বা থম্মোয় পাউদম্লি অইবনা মতাং অসিদা পল্লিবসি। অদুনা শৈরেং অসিগী লোইশিল্লকপদা 'ইপু খোংনাংথাবা' কৌরকই। কদোমদা চৎখ্রবনো হংলকই অমদি কৈদৌঙৈ কেকু ফোঙলগদগে? হায়না কবিনা হংজরি।





লাইরিক্কী মমিং :- ৱাউথরবা মচু (২০২৪)

অইবা :- **কীর্ত্তিচান্দ লুৱাং**

অফোঙবা :- **ইরমদম খোর্জে লূপ (ঈখল)**

লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**

লাইরিক্কী মখুম :- **অইবা মশা**

লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ৪০০/-**

লমায় মশীং :- **১৮৮ (মীতৈ ময়েক য়াওরগা)**





কুমজা ১৯৮২দা ইখিবা শৈরেংনি, 'ঈ পকপা খূৎশা' শৈরেং অসিদা উরি শকখঙদবশিংনা মরাল লৈবা লৈতবা মী হাৎলম্বা অমদি মসিগী অচুম্বা অশেংবা ৱায়েলগী পোলোই। মীহাৎপগী চৈরাক ফংখিবদি খরতনি অচুম্বা ৱায়েলদি মীচং শঙ্গ লৈতবনা ফংদে হায়বদুসু ফোঙদোক্লি অদুগা মীহাৎপদুদি অদুমক মখূত্তা ঈ পল্লক্দুনা চৎলি, হিংলি হায়বনি। অদুনা কবিনা ইরক্লিবনি, "...মীয়াম তিনবা মরক্তুদা/ঈ পকপা খূৎশা অমা/য়াম্না চীং লেম্না/করিসু মোং হাদনা/লৈখিদ্রবগী মোংফমদুদা/লৈ কৎপা য়াওরি/মীৎকী পি শিন্থুরি।/তাম্না উরিবা/লৈবাক্কী চাউরবা ৱায়েলশঙ মনুংদা/মখূত্তা সেরফালা পায়/মমিত্তা অমুবা ফিনা খুমজিন/শ্রীমদ ভগবত গীতানা/ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা/তূমিন লেপ্পুনা লৈরি।" (লা: ১০) লুচিংবা শাবনা লুচিংবা অমা হাৎপদনা লৈবাক্কী ৱায়েলশঙনা পাম্বে লৈতনা অচুম্বা হায়বদু খঙলবসু লৈরিবা আইরোনি অমা উৎলকপনি।

মীয়ামগী পূন্সিগা মীয়াম্বু লমজিংলিবনি হায়দুনা লৈরিবা লুচিংবশিংগা হিংলিবা পূন্সিগী থাক, লেপ্লিবা খুন্নাইগী শক্তম অমদি লৈঙাক্লোনগী মশক অসুম খঞ্জিন্দুনা য়েংলবদি মান্নবা খুন্নাই অমদি ওইদ্রে। মরমদি ঙসি উরিবসিদি অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা অমদি লায়রবা, তোল্ল-তারবশিংগী পূন্সিদা লৈঙাক্তা মন্তিক্লরবা খুন্নাই অমনি ঙসি-ঙসিমক উরিবসি। য়াইতোং-ফমদোংবশিংনা লৈবাক নুংশিবগী মিংদা শেল্লিবা থৌশিল-থৌরাং অঙন্বশিংনা অদুমক শায়েন ঙায়েন্নরি। মসি হার্দ রিএলিটিদুনি। অদুনা অইবা কীর্ত্তিচান্দসু ৱাহে খরদা ফোঙদোক্লুবা হোৎনরক্লি, 'অমা অমসুং অমা' হায়না মিংথোনবা তেল্লবা শৈরেং অসিদা, "য়েংউ য়েংউ য়েংউ-/ফম্নাইবা অমা/লান্মী মপৈ অমা।/তু তু তু-খুঙ্গং অমা/চেঙ বোরা অমা য়াম্না ফজবা ইমেজরি অইবনা মসিদা পুশিল্লক্তুনা উৎনবা হোৎনরিবসিমক। তোঙান তোঙানবা ৱাহম্বোক কয়া থোক্লা পুথোক্তুনা নৈনবা য়াবা শৈরেংনি।

কুমজা ১৯৮৭তা ইখিবা শৈরেংনি 'নীংতম্বা' ঙসিসু অদুমক মতমসিগা, চীংলৈবাক্কী মণিপুর কোলোইনবী লম্লেন লমদম অসিগা অদুমক চাশিন চুশিন্নরি। নীংতম্বগী ৱাহম্বোক থিবদা মশানা মশাবুদি খঙদবগুম তৌরি। মরমদি অপূনবগী লীংজেল শাগৎপা পাঙ্গল ফুদোকপা ঙমদ্রি ঙসিসু। অদুনা তোয়না হেক-হেক থোরক্লি, "মখূৎকা মচীনগা শম্নদনা/লাউরি-চিনফা পুরবা ৱাহে-চাওখৎপা/চাওখৎপা/চাওখৎপা।/...শূদনা হুমাং তানীংলি/লাউরি হঞ্জিন হঞ্জিন/চীনফা পুরবা ৱাহে/নীংতম্ব া/নীংতম্বা/নীংতম্বা/...নঙগী ইম্খোল চাইগোইনুং/ঙসিদি মশুং তানা চেকখায়রক্লি...লম্বীদি ঙম্না লম্ফাংনরে/কনানা মীচং/কনানা য়েক্লবা/অমত্তা মশক খঙনদ্রে..." (লা: ২৮)

থবক শূনীংঙাই চানীংঙাই লৈতদুনা শাথীনা ৱারবা মীতোপ্পা পাথোল্লবা মপাল লমশিংদা উরিবা, থেংনরিবা শক্তম অমা লাকশিল্লদুনা লমদম অসিদা ত্রেন লাক্লবদি কমদৌবা। মফম অসিদা য়েলহৌ ফূরুপশিংনা হিংনরিবা পূন্সি মহিং অসিনা কমদৌনা অমুক পূন্সি হিংনবা লাম্হেংনবা হায়বসি শোয়দনা খঞ্জিল্লমগনি কবিনা অদুনা 'কুল্লী' মিংথোনবা শৈরেং অসিমক ইরক্লিবা ওইগনি খল্লি। মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টম চৎনরে হায়রগসু মপাল লমদগী মীতোপ লেপ্পুনা চঙশিল্লকপদি থিংবদা অৱাবা অমদি ওইরি। মসিমক অচৌবা লৈবাক্কী ইস্যু অমা ওইরিবনি। অসিগুম্বা লুরবা ফীভম অসিদা ফাওবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়েলহৌ ফূরুপশিংদি নীংঙাইদনা তূল্লগা লৈবগুম্না অইবনা উরি। মসি অচুম্বসুনি। অদুননি কবিনা হায়রক্লিবা, "কাক অমা পাইখি/য়ূম য়াঙলেল লান্দুনা/চরোই অমসু লাঙলি/মনীংগী ৱাপল মরক্তা/নোংঙাল্লে তাক্লি/নোংঙাল্লে লাউরি।/...কুল্লী অমখক্তি/প্লেটফোর্মদা রেলৱে ষ্টেশনগী/নাখোক্তুনা তূল্লি, নুংঙাইনা..." (লা: ৩৫) কুল্লী ওইরবফাওবা শূনীংদবগী মচৎ অমা উরিবসিদা ৱাদবা ঙমদে অইবনা লমদম অসিগী অনৌবা মীরোলগীদমক। শূনীংদনা শেল পায়নীংবা, অচাওরম কানীংবা কয়াগী ফোং ফোং শারিবা থৌদোক মরক্তা শৈরেং অসিগী নুংগী ৱাহম্বোক অসিমক য়াম্না কুপ্পা নৈনবা মথৌ তারক্লি।

মপু মবেননা নুংশিনা শারম্বা মীতৈ য়ূমজাও, মতমগী অহোংবা অওনবা মরক্তা মল্লবা য়ূম অদু শেমজিনবগী মহুত্তা য়ূম অদুবু থাদোল্লগা অতোপ্পা নুংঙাইবা মফম থিদুনা চৎনরক্লি। মীরমদা লৈরগা হেন্না নুংঙাইবনি খল্লি। অমরোমদা, লৈবাক লৈহাও চেল্লবা লমদম অসিগী মতিক ময়াই খঙলবা লংফৈ লাকপা মীনৌশিংনা তপ্পা-তপ্পা হায়রিবা মল্লবা য়ূমশিং অসিদা লৈদুনা লমসিগী মপূ ওইশিল্লকপগী মশক অদুনি কবিনা 'যূম্বু' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা ফোঙদোক্লিবসি। লমগী ষণনা মচি শাংই হায়বগুম্না মীরমদনা হেন্না মীতারি। লমদম অসিগী লৈজরিবা রিসোর্চশিং শীজিন্নদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা পোঞ্জি স্কিমশিংদা পূক্লিং লূপ্পা, লৌনম নমথাক তৌদুনা শেল তাল্লিবনি খঞ্জবা কয়াগী মফমদদি লমদম অসি অমনবা য়ূম্লি শেন্বদা থোক্লোই খল্লি। য়াম্না ফজবা ৱাখল খন্থনীংঙাই ওইবা পাউজেলনি শৈরেং অসিনা পীরিবা পাউজেলসিমক।

মিংথোল ওইরিবা শৈরেং 'ৱাউথরবা মচু' পূন্সিবু মচু লোক্লিবা শৈরেংনি। ইংলিসকী কবি William Blake নসু হায়রম্মী শৈরেং হায়বসিদি লৈঙোই মরীকশিংদা মালেমসে উবদুনি, লমদা শাৎপা লৈরাংশিংদা লাইরৈবাক উবা ঙম্বদুনি... " To see a world in a grain of sand, And heaven in wild flower, Hold infinity in the palm of your hand And eternity in an hour." পূন্সিবু চেকশিন্না য়েক্লিবশিংদদি মসিগী ৱাহম্বোকসু মহৌশাগী খোঙচৎতা পূন্সিগী লম্বেলদা পূম্নমক উবা ফংগনি। কবিগী পূন্সিগী তাঙ্ককশিংবু নীংশিংলদুনা ইরক্লিবা শৈরেং অসিদা পূন্সিনা পামজবা নীংজবদুদি 'চুমথাঙ মখোঙগুম/উনা উনা অসুম লাপথোকখি..." পূন্সি ঈচেল তপথরক্লি হায়না খল্লি কবিনা অদুবু শৈরেং লাইরিক অমা ফোঙলগা পূক্লিং থম্মোয়গী পনখৈদি অসিনা লোইরে হায়না খলহন্নীংদে। ৱাউথরবা মচুগী মরুমদা পূন্সি থাবল অমুক থোক্লকপা হায়দুনা লেপ্পুনা শৈরেং ইবা অমদি মথৌ তারি হায়জনীংই। লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং৪৫ য়াওরি। ফজবা কয়াসু থেংনবীগনি। অহানবা শৈরেং লাইরিক ওইরগসু মণিপুরী খোরিরোলগী পূক্কৈদা লাইরিক অসিগী মফম অমদি কনবা ঙম্লে। ●

# করি পাউখোংনো চনবীরক্লিবা - ১

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

হন্দক ঐগী অপোকপা মীয়াম্না আর কে সী এস হায়রগা খঙনবা শক্নাইরবা লাইয়েকপা অসিগী চহী ১০০ শুবা বর্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেসনগী ফঙ্কসনদা সিলেব্রেশন কম্মিটিনা খন্নখি কনানা অথোইবা লেঙবীরকপা ওইহনসিগে, কম্মিটিগী মেম্বর লোইনমক্লা ওজা রতন থিয়াম ওইহনসি হায়নরকখি। কম্মিটিগী সেক্রেটরি ওইরিবা ঐহাক্না ময়ামদা হঙ্গৎচৈ তামো রতনদো হকচাং ঈবদগী লায়েংলি তাই, মপান্দা লায়েংনবা চৎখ্রেসু তাই। ঐখোয় ময়াম শ্বাই লাউই, য়াম্না নুংঙাইতে, ঐখোয় মেম্বর পূম্বা ঈশ্বরগী মফমদা থম্মোয় শেংনা অথুবদা ফহনবীরো খুরুমজে। মরক-মরক্তা কলচরগী থৌরম, সাহিত্যগী থৌরমদা ঐনা য়াওবা চৎচবদা তামোদো খরদি ফগৎলক্লে হায়বগী পাউসু তাই।

মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরগী লম্‌দদি তামো রতননা তৌথোরকপসি মচু হেক্তা তাই, মগুণ অমা হেক্তা য়াওই, হেক্তা হৌদোকপা ওইনা থোকই। ইনৌ হেক্তা নৌহল্লি। মাঙথরক্লবা নীংখাইরক্লিবা চৎন-লোনচৎ কয়া অসি উরুবদা লোন্না থম্মোয় কায়জবা মীওইনি। ৱা ঙাঙথোক্তনা তৌথোরকপা থবক্লা তাক্লি মতম পূম্বদা ইরমদম অসিবু কয়াগী মতিক নুংশিজবা। ইরৈবাক্কীনিবু হায়রবদি পাম্বোম হান্না তিংথোক্তুনা মচা-মনাও কয়াদা পাঙ্গল থৌনা হাপ্পীরিবা শক্লোন য়াম্বা ঐখোয়বু লুচিংবীরিবা লময়ানবনি লৌজরি। হন্দক্কী থোক্লিবা ঈরাংসিদা তামোনা কলচরগী লম্‌দা লৈরিবা পূম্নমক্কী লুচিং পুরেল ওইবীদুনা মায়োক য়াদুনা দেল্লী তম্না চৎতুনা ঐখোয় লান্দে, মণিপুর থুগাইবা য়ারোই লাউদুনা, উনবা য়াবা লুচিংবা কয়া উনবীখিবা, ঙাঙলরোই, শক্লরোই তাশিন্নদ্রবা-খঙশিন্নদ্রবা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংদুদা খুদোম্বী থিল্লগদি হায়রমখি, সিবু থথাগী থবক্লা।

তামোদি ইনাক খুল্লবা মণিপুরগী তোমথিল ওইনা লৈরিবা কলচরগী মনুং চল্লিবা পূম্নমক মমুৎ তানা নৈনৈ, খঙই, তমথোকই-হৈদোকই। মরু ওইনা নট সঙ্কীর্ত্তন, থাঙ-তা, খুন্নুং ঈশৈ, লাই হরাওবা, রাস য়াওনা মীতৈ জগোয়, পেনা অসিনচিংবা পনবা য়াই। তশেংবদি তামোগী অপোকপা পাবুং থিয়াম তরুনকুমারসু অফাওবা সঙ্কীর্ত্তনগী গুরুনি, পূঙ য়ৈবনি, ইমাইবেমা বিলাশিনিসু শক্নাইরবা মণিপুরী জগোয়গী গুরুনি, জগোয় শাবীনি, অদুমক্লা ওইরম্বা য়াই তামোগী ঈদা আর্ট এন্দ কলচরগী মতিক ময়াই পূম্বা চিংখিদনা য়াওরল্লিবা। অসিগুম্বা মমা লৈবাক মরমদম্বু নুংশিজবা মীওই অমগা খঙজনবা অমসুং হন্দক মপোক অসিদা পূন্না ঈশ্বরনা থেংনহনবীবগী ঈশ্বরবু থাগৎচরি। অসিগুম্বা মীওইশিংসি যুগ অমদা মশীং য়ামদে য়াওরকপা। ঐখোয়না তামোবু থিএটরগী খক্তা ওইনা উবা য়ারোই, তামোগী হৌখ্রবা পূন্সিগী অঙনবা মতমদা মণিপুরী খোরিরোলবু চাওখৎনবা কন্না হোৎনবীরম্বা, হৌজিক্কী মীরোলনদি খোরিরোল শুরম্মী খঙলবসু সাহিত্যগী লম্‌দদি থোইদোক হেন্দোকপা সাহিত্য একাদেমিগী মনা-মথুম পীবদি থেংনদে। অদুবু তামোগী খোরিরোলগী মগুণদি মনা-মথুম ফংনরিবশিং অতৈদগী তাবদি নত্তে। মনা ফংলবসু ফংদ্রবসু তামোদদি থোইদোক্তে। তামোগী মিংলেনদি রতন থিয়াম হায়না অদুম শোন্নহৌরগদবা অহিংবা লেজেন্দ অমনি। তামোগী মিংলেনদি শিবা নাইররোই। তামোগী অফাওবা প্লেশিং অয়াম্বা তামোনা ইজবা অমসুং ষ্টেজদা শান্নবা য়ানবা ইথোকচবা ঙাক্তনি। ইবা হৈরেমদ্রগবু করম্না ফজরমগনি তামোগী লীলা অয়াম্বা। দ্রামাদুগী ষ্টেজ দিজাইন, কোষ্টুম, অতৈ অতৈ লোইনা আর্টকী ওইবা মতিক-মগুণ য়াওরিবসি মালেমগী চৎনরোল ময়াম খঙলুবদগী ফংলকপা লৌশিং ময়ামদুগা তোৎশিন্নরগা মণিপুরনেস ওইবা মওংদা লায়না ইষ্টর্ন এসিয়াগী নীংথিরবা আর্টকী মহাউ ওইনসু ফোঙদোকপা উজে।







ঐনা ঐগী ষ্টুদিওদা থবক শূবা থোরকপদা খঙহৌদনা পাউজেল অমা থেংনৈ। পাউজেল অদুদা অসুম্না ইরম্মী "ঐবু নুংশিবীয়ু হায়দে" ঐ অদুম ৱাখল খনবা হৌখ্রে অদুগা মখাদা রতন থিয়াম। ঐখোয়না ওম্বোক্লা লূম্না লমদমসিগী অমসুং মালোমগী কলচরগী খূৎ থেকপদা য়াওরিবা তামোগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসি য়াওহৌদ্রবদি ঐনা নুংশিবীয়ু হায়দে হায়রিবসিগী ৱাহম্বোক্তা চৎখ্রগদি ঐখোয়না অসুক্কী মতিক নুংশিজরিবসে অরেম্বদা তাবা তারে খঞ্জদুনা ঐ লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদু য়াওজরুই। থম্মোয়দা অপেনবা ওইজখি। ঐনা কোরসকী "the shrine play house" য়ৌরকপদা মী অমত্তা উদে, ঐনা খল্লি নংনবা লাকচবনি ইহে! হৌখ্রমানে, মহৌশাদগী কোরসকী থৌরম হৌবসি চপ-চপ চানা হৌবনি অসিসু অনৌবা কলচর অমা হৌদোকপীরবনি লমদমসিদদি। হোল মনুংগী গেল্লরিদো মী পীক থন্না ফম্নরল্লে। অখঙবা মীসু ফনয়াম য়াওই। মশীং তাথরক্লে শক্নাইরবা অহলশিং। ঐনা থোঙ হেক কানশিনবগা ওজা সরতচান্দ উই মহাক্তা থংননা ফমিন্নে । থৌরম অদুগী এঙ্করগী ওজা নরেন্দ্র নিঙোম্বনা ফজরবা ৱাহে ৱাতা কয়ানা লৈশি লৈথোন্না ওজা দিলিপ ময়েংবম্বু চীফ গেষ্ট ওইনা অমসুং তামো লোংজম জয়চন্দ্রবুনা লাইরিক মশক তাক্লবা দেজদা কৌখৎতুনা থৌরম হৌদোক্লে। মীয়ামদা 'ঐবু নুংশিবীয়ু হায়দে' হায়রিবা লাইরিক অসি ফোঙদোক্লে হায়না ওজা দিলিপ ময়েংবম্না লাউথোক্লে। ষ্টেজগী দিজাইনসু ইচম চম্না নাক য়েত্তা মথোল মঙা-মঙা য়াওবা ছত্র অনী/অনী নাক য়েৎতা য়ুংই। য়ুংলিবশিংদুগী মখোঙদগী মেক্রুক্কী মৈখু লিরি-লিরি কাখৎলকই অদুমক্লা থোইদোকহল্লি ফঙ্কসন অদো, চীং লেম্না পাঙথোকই। ***(মখা চৎজরকখিগনি)***

# ঙাম্থোরক্লিবা নুমিদাংৱাই

## (হিংবগা নুংশিবগা কনানা লূবগে হংলিবা নোভেল)

- সলাম তোম্বা -

মথংদি অপাবশিংগী মিৎয়েং চঙগদবদা ঙাইরে। কিরনগী ফিরেপ চুম্মী-লাল্লি, খুন্নাইগী মিৎয়েংদা ফজে-ফজদে য়েৎনগদবদা ঙাইরে। ঐগী ৱাখলদদি কিরন লান্দে হায়নিংই। মীগী মপোৎ হূরুদৌ শরুক মশাগী শক্তিনা মাগী মরল কায়দুনা চাজবনি হায়নীংই। কিরন খঙই লমচৎ মাঙলবদি পূম্নমক মাঙলে হায়বদু। অদুবু থৱায় মঙা কন্নবা হোৎনবদা নুপী লৈশাবী মানা করিদি তৌনি। খুন্নাইনা ফন্না ফত্তে হায়রবসু হিংবদি য়াদে, মাখক্তা ওইরবদি ফৈ, অদুসু নত্তে, মমা, মৌপ্পা অনী, মনাও অমা শেমদবা য়াদে। কিরন্না খুন্নাইদা হংলি মাবু কৈদৌ হায়বনো? করি খুমদৌরি। ঐনা কিরনবু য়াবা মরম অমসু লৈরি। কিরন লৈখা তাখিবদু মাগী হকচাংখক্তনি। মাগী থম্মোয়, থৱায়, ৱাখল লৈখা তাখিদে। মাগী থম্মোয়, পূক্লিং ৱাখল বিরেন নত্তবা খঞ্জদে। মাগীদি বিরেননা লোইজরে। অদুমক্তনা অহিং অহানবদু বিরেনগী ওইহনখি। মানসু বিরেনবু মপুরোইবনি খঞ্জখি। মখা তাবদি হিংনবা লানফম ওইখিবনি। মতাংসিদা D.H. Lawrence কী ৱা পনবা য়াই, মানা হায়খি, মপুরোইবা নত্তনা মিৎয়েং কারন চন্দবী ওইরবসু ৱাখলনা মাগী নুংশিবা, থুংনখিদ্রবা অদু সুম নীংশিংদুনা লৈরবদি মদুনা হেন্না শাথী। কিরনদি মশা য়োল্লবসু কন্নাদা থম্মোয় পীরমদে, বিরেনগীদমক খাকখি। কিরন নুংশিবদা মীনম্বী ওইদে।

মথংদা অপাবশিংনা হংনীংই, কিরননা নাউপুখিবা অঙাংদু কমদৌখ্রে? বিরেননা মপা শক্কে হায়বসু য়াখিদে। মদু খুন্নাইনদি হাৎহন্নীংদে। অদুবু কিরননদি মদুগুম্বা অঙাং থম্লিংদে, মপা মশক খঙদবা অঙাংদু তাইবঙ ফাওহনখিদ্রে। কিরন লান্দে, মাঙহনবা তাবনি হায়নীংই। অইবনা জষ্টিশ তৌই হায়নীংই। টিকেন্দ্রজিৎতা নত্তে, অসামগী অইবী জ্ঞানপীথ এৱার্দ ফংলবী ইন্দিরা গোশ্বামিনসু অদুমক ইখি। মাগী 'ফ্রেঞ্চ লভর' হায়বা নোভেলদা মতু নুংশিবদি খঙদবা, মচাদি পাম্বা ফ্রেঞ্চকী মপুরোইবা অদুগী অপাম্বদু ইন্দিয়া বেঙ্গলী নুপী অদুনা মনীং থুংহনখিদে। নুপীদুগা নুপাদুগা ডাক্তরদা চেক চৎমিন্নবদা অঙাং ওইরে হায়রকপদা নুপাদুনা কয়া হরাওখি, নুপীদুবু নুংশিবা শারকখি, লুনা তৌশিল্লকখি। অদুবু নুপীদুনা লায়না খুমখি- "ঐ নঙগী অঙাং শুংপোক পোক্লোই।" মদু হায়রল্লগা এবোর্ট তৌনবা চৎখি। কয়া ফজে। অদুনা টিকেন্দ্রজিৎনসু মপা মশক খঙদবা মচা থম্লিংদে, অদুনা কিরননা মাঙহনখি, বিরেনবুসু লৈখা তাহনখিদে।

অদুবু অইবগী হৈশিংবা য়েংসি হায়রবদি পোলোই য়েংবা তাই। কিরননা গোবিন্দ মন্দিরদগী ফাদুনা পুখিবা বিরেন কমদৌখ্রে হংনীংবা ঙাক্লি। মদুগী পাউখুমসু পীরি। কিরননা বিরেনবু মপুরোইবমক্লি খন্না ঈরু মায়থহল্লে। আশ্রম অদুদা লৈরিবী নুপী ময়ামদা মাগী মাঙখিবা মপুরোইবদু হল্লক্লে হায়না লাউথোক্লে। মথংগী নুমিত্তগীদি মপুরোইবনা আশ্রমগী থবক থৌরম লোইনা তৌরনি। অদুনা মাবু থিরক্লনু হায়নসু লাউথোক্লে। অদুম্না মাগী মায়কৈদগীদি নাখৈ শেংলে। বিরেনগী ৱা মঙায়রে। বিরেন্দি ৱা মচেৎ অমা ঙাঙদ্রি। তূমিন্না লেপ্পুনা লৈরি। অপাবশিংগী মিহুল চোংবা মতাংনি। খরা অমনা থুংনহন্নীংগনি। খরা অমনা অদুগুম্বা লমচৎ মাঙলবী নুপীদুগী নুপা ওইহন্নীংলল্লোই। মদু অইবা টিকেন্দ্রজিৎসু খঙই। অদুনা অহিংদু থেংথরক্লবা মতম, কিরননা চাক-ঈশিং থোংদুনা বিরেনবু চাক পীজরবা মতুং কিরনদি ইমুংগী উখোং অমদা ঙাদুনা তূমিন্না ফল্লি। অদুফাওবদা ৱা ঙাঙদ্রি। ঙাঙফমসু লৈরোই। ফীভমদুদা কমদৌসিগে খনবা মালহল্লি অইবনা।

অদুবু কিরনদি চাবা-থকপা লোইরদুনা ফমুংদা চঙখ্রে, মৈ মূখৎখ্রে। থাল্লিবা হায়ববু জেরো বল্বকী মৈঙাল অদুদা ঙাইরে। চহী ২০ উনরুদ্রবী মাগী কিরননা নানখ্রবা ফমুং ফমজাও অদুদা হিপথখ্রে। বিরেনবু লাকও তূল্লসি হায়বগী মতাগুম বিরেন্দা চাগদবগুম য়েংলক্লে। বিরেনদি মচি লেঙদ্রি, অদুম কিরনবু চাগদবগুম য়েংদুনা লৈরি। ৱাসু ঙাঙদ্রি। অইবগী কলমদি মতাংদুদা খুমজিনখ্রে। অপাবশিংনা অপাম্বা অদুম খন্থবিরো হায়না থনম্বগা চপ মান্নখ্রে। পরেং অমতংগা শোয়দনা অপাবশিংনা মদুদা হাপহন্নীংইগনি। অদুবু মখাদি ইথরক্ত্রে। মসিনি অইবগী ক্রাফ্টমেনশিপ, ফজদে হায়বা ঙল্লরোই।

অদুদি নোভেল অসি দোষ অমত্তা লৈত্রবরা? অপাবশিংনা ঐঙোন্দা ওনশিল্লক্কনি। মদুদা ঐনা খুমগনি, লৈ, অশোয়বা লৈতবা অইববু লৈবা হৌনব্রা? টিকেন্দ্রজিৎকী অশোনবা অদুম উরি।

অহানবমক্তদা নোভেলদি ৱারী লীবনি, দ্রামাগুম লমচৎ খুদিংনা ঙাঙ ঙাঙদুনা ইথগদবা নত্তে। অইবনা ওমনিপ্রজেন্ট ওবজর্ভর ওইরবসু লমচৎনা ঙাঙবনা লূম্বা হেনগদবা মতাংদা দাইলোগ শীজিন্নগদবনি। অদুবু টিকেন্দ্রজিৎকী অসিদদি দাইলোগনা মপূং ওইরে। অইবগী ৱারী লীবগী হৈ-শিংবদু ময়েং তাহল্লে। মথংদা নোভেল অমদা চঙদবা য়াদবা মখোঙ ওইরিবা দেস্ক্রিপ্টশন হায়বদু ৱাৎলে হায়বা তাই। মসিবু য়াওদ্রবদি অপাবনা লমদু, মীদু, যূমদু করম্না মিত্তা উগনি। অদুদগী হেন্না ফজদবা অমত্তং হায়রবদি কিরননা লমচৎ মাঙলুবদু মমাদা লোৎপা ঙমদবা অদুনি। অইবনা মদুমদি তশেংনা খলহৌদবা মাল্লে। কিরনগী হৈ-শিংবা অদুনা নাদুনা লৈরবা মমাদা মাগী চৎলিবদুগী মরম অমদি পীদুনা কূপশিনগদবনি। করম্বা মমানা মচাবু লমচৎ মাঙলুরো হায়না থাগনি। অরোইবদনা মিঙ্গৌ হায়বসি লুখ্রে। মচিল-মৌপ্পা হায়গদবদা মচিল-মনাও সুম হায় লৈরে। মসিদি ফজদে খল্লি। পূম্নমকসি ওইদুনসু টিকেন্দ্রজিৎকী হন্দক্কী নোভেল 'ঙাম্থোরক্লিবা নুমিদাংৱাই' হায়বা অসি অনৌবা থাক অমগী নোভেলনি হায়দবা ঙমদে। ● -(লোইরবা-)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।